ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

ৰাংখেম অমসুং হৈরোক এসেম্বলি কন্সটিটুএন্সিগী কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা লৈবা মীয়ামদা সোসল ৱার্কর কাঙথম জাদুমনিনা চান-থক্নবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা

ইদুল ফিটর লাকপদা এম এম দল্লিয়ু ওনা য়াইফ পাউজেল পীরক্নি
☛ লামায় ২

কৌব্রুগী এগ্রিমেন্ট হন্দোকউ নৎত্রগা মিনিস্টর ফমদগী রিজাইন তৌগদবনি : হাওমি
☛ লামায় ৩

ভি দি এফ ইচাশিংনা মৈনুংদা লৈবা উরগা তূমীন্না লৈথোক্লোই
☛ লামায় ৫

অরোং হায় স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী অনীশুবা ফেজদা হাপ্লগনি
☛ লামায় ৬

নোর্থ ইষ্ট ৱিমেন্স নেটৱর্ক গ্রুপনা হৌজিক কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্নরিবা অসিগীদমক মীয়ামগী ইম্যুন মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হীদাক লাংথকশিং য়েন্থোকখিবা

Vol. 45, Issue No. 047 | শগোলশেন, কালেনগী নীনি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, May 13, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

এ আই আর ইম্ফালগী বিজয়া য়ূমলেম্বম লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):

ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালদা কুমজা ১৯৮৯দা ত্রান্সমিসন এগজিক্যুটিভ ওইনা থবক চঙলকখিবদগী প্রোগ্রাম এগজিক্যুটিভ কোওর্দিনেসন ওইনা থবক তৌরকখিবী বিজয়া য়ূমলেম্বম ঙসি নুংথিল পুং ২ তারমদাইদা শিজ হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে। ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

মোরেদা চঙবীরক্তনবা অপীল তৌরক্নি

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):

মোরেদা হৌজিক থেংনরিবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেসশিং অসিগা মরী লৈননা ঙসি হিল ত্রাইবেল কাউন্সিল, মোরেগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা মফম অসিগী কম্যুনিতি পুন্নমক্কী লূপশিংগী ওইবা মীফমনা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা মোরেদা মফম অসিগী মীওই নত্তবা/মপানগী মীওইশিং খুদক্তগী চঙবীরক্তনবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

ইবুধৌ খম্লাংবগী থৌরম পাঙথোক্লরোই

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):

চহী খুদিংগী কালেনগী হুমনি পানবা নুমিৎতা ইবুধৌ খম্লাংবনা কোনবা লৈকায়শিংগী মচা মনাইশিংগা লোয়ননা ইবুধৌগী লাইবুংদা হৈকৎ লৈকৎ তন্বগী থৌরম পাঙথোকচবদু কুমসি চহীগী ওইনদি ইবুধৌগী শঙলেনগা থংনবদা কন্টেনমেন্ট জোন ওইরকপা অমদি লৈঙাক্কী অথিংবা কর্ফ্যু লৈবনা মরম ওইরগা পাঙথোকচররোই হায়না ইবুধৌ খমলাংবা থৌগল লূপ ময়ায় কোইবীগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্নি। মরম অসিনা নুমিৎ অসিদা ইবুধৌগী মচা মনাইশিংনা ইবুধৌগী থৌগল কাবিরক্তনবসু খঙহল্লক্নি।

পোজিটিভ মশীং ৬৬৬ থেংনখ্রে, ১৭ শিরে

কোভিদতগী মীয়াম কনবা ঙমদ্রে হায়দুনা কোংগ্রেসনা প্রাইম মিনিষ্টরদা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্লনবগীদমক লৈঙাক্না মী খ্বাইদগী তিনবা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী গ্রেটর ইম্ফালগী মনুং চনবা মফমশিংদা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকপগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অনীসি য়াওনা অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ৭তা কর্ফ্যুগী অথিংবা থম্লগা লোয়ননা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং লেপ্তুনা লৌখৎলক্লগসু লায়না অসিদা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী মশীং নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ৬০০ য়ৌহনখিবগী মথক্তা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্না পোজিটিভ কেস ৬৬৬ থেংনখিবগা লোয়ননা মীওই ১৭কী পুন্সি মাঙহনখ্রে।

অমরোমদা, হৌজিক মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা মায়োক্লহল্লক্লিবা খুদোংথীবশিং অসিগী মতাংদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) গী মায়কৈদগী মসিগী প্রসিদেন্ট গোবিন্দ দাস কোন্থৌজমনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা ঙসি ইখিবা চেরোল অমদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কোভিদ পেন্দমিক্তগী মণিপুর মীয়ামগী পুন্সি কনবা ঙমদ্রে হায়দুনা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

ঙসি নুংথিল লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ত্রোল রূমদগী থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস ৬৬৬ থেংনরে হায়রি।

অপূনবা মশীং অসিগী মনুংদা ৬৫৯না জেনরেল পোপ্যুলেসনদগীনি। মসিগী মনুংদা ৩৬৪না নুপানি অদুগা ২৯৫না নুপীনি। লেমহৌরিবা মীওই ৭ অদুনা সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ) কী পর্সনেলশিংনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা পোজিটিভ কেসশিং অসি জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) তা ৯৩, রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা ৬০, ইম্ফাল ইষ্ট ১২, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২৮, মায়পাকপী ১২, মাদরস ক্যের ৬, সী এম সী ৪, জিলিদ হেল্থ ক্যের সেন্টর ৩, আর দি ৱিং ৭, রাজ মেদিসিটি ৬৬, ইবোয়াইমা হোস্পিটাল ১, জিবন হোস্পিটাল ৭, শিজ হোস্পিটাল ৩৭, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্স ৯০, ইসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্স ৪৬, থৌবাল ৩১, বিষ্ণুপুর ৪০, ককচীং ৫৩, চুড়াচান্দপুর ৩২, সেনাপতি ৮, তমেংলোং ৪, কাংপোকপী ৩, কামজোং ২, নোনে ৮ অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা ১৪ থেংনখিবনি হায়রি।

অদুগা ঙসিগী ওইনা অপূনবা থেংনখিবা পোজিটিভ কেস মশীং অসিগী মনুংদা য়াওরিবা মীওইশিংনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ১৭১, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২৫২, থৌবাল ৩৪, বিষ্ণুপুর ৪৮, ককচীং ৬০, উখ্রুল ১৫, চুড়াচান্দপুর ৪৩, চান্দেল ৩, সেনাপতি ১৩, তমেংলোং ৪, কাংপোকপী ৬, কামজোং ২, তেংনৌপল ১ অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী ৭নি হায়রি।

লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবনি হায়বা মীওইশিংগী মশীংনা ১৭নি। মীওইশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৩ (মশাগী চহী ৫৭ অমসুং ৮৪শুরবী নুপী ২ অমসুং মশাগী চহী ৫৬শুরবা নুপা ১), ইম্ফাল ইষ্টতগী মীওই ৮ (মশাগী চহী ৬৯, ৬৭, ৬৪, ৫৫, ৫৬, ৫৮, ৭৪, ৬৫শুরবা নুপা ৭ অমসুং মশাগী চহী ৬৭শুরবী নুপী ১), চুড়াচান্দপুরদগী ২ (মশাগী চহী ৫১ অমসুং ৮১শুরবা নুপা ২), থৌবালদগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম শীংথানবা য়ানা ফগৎলে : গভর্ণর

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):

পূন্না য়েংবদা হৌখিবা থা খরদা ইন্সর্জেন্সি এক্টিভিটিশিং হন্থরকখিবগা ইরোয়ননা মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম শীংথানবা য়ানা ফগৎলে হায়না গভর্ণর ডা. নাজমা হেপতুল্লানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি অসাম রাইফলসকী দিরেক্টর জেনরেলগী মীৎয়েং মখাদা হেদ ক্বার্টর ইন্সপেক্টর জেনরেল অসাম রাইফলস (সাউথ) না শীন্দুনা রাজ ভবনদা পাঙথোকখিবা অসাম রাইফলস অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ৱেবিনর হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবী ডা. নাজমা হেপতুল্লানা থৌরম অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

ঙসিগী থৌরম অদু 'নোর্থ ইষ্ট বিওন ইন্সর্জেন্সি এন্দ ইথনিক দিভাইদ-এসপিরেসন্স এন্দ ওপোর্চ্যুনিটিস ৱিথ ফোকস ওন মণিপুর' হায়বা থিম অসিদা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবী গভর্ণরনা অসাম রাইফলসনা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী মফম পুন্নমক্তা খোঙফম হোংদনা কৎথোকপা অমগা লোয়ননা ইন্টর্নেল সিক্যুরিটি ঙাক্লবগীদমক লৌবা থৌদাংশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা রিজন অসিদা ঈং-তপ্পা অমসুং চাওখৎপা পুরক্লবগীদমক হোৎনখিবশিংবুসু শীংথাখি। মরম অসিনা অসাম রাইফলসকী 'ফ্রেন্দস ওফ দি নোর্থ ইষ্ট পিপল' অমসুং 'সেন্টিনেলস ওফ দি নোর্থ ইষ্ট' হায়বশিং ওইরিবনা রিজন অসিদা ঈং-তপ্পা অমসুং চাওখৎহনবদা থৌদাং লৌরি হায়রি।

ভিদিও কনফিরেন্সিংগী খূথাংদা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা গভর্ণরনা ফোঙদোকখিবদা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়া হায়বসিদা য়াওরিবসি অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, মণিপুর, মিজোরাম, মেঘালয়া, নাগালেন্দ, সিক্কিম অমসুং ত্রিপুরানি হায়রদুনা ষ্টেটশিং অসিগা ঙমখৈ তাইনরিবা লৈবাকশিংনা টিবেট, নেপাল, ভুটান, ম্যান্মার অমসুং বাংলাদেশনি হায়খি।

অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী রিজন অসিনা ইন্সর্জেন্সি মায়োক্নরক্লিবা অসি চহী ৬০গী মথক্তনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লদুনা রিজন অসিগী মনুংদগী ষ্টেট খরদদি ইন্সর্জেন্সিগী প্রোব্লেম লোইশিনখিদুনা ঈং-তপ্পা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

গভর্ণমেন্ট এদেদ প্রাইভেট স্কুলশিংগী অন এপ্রুভ ওজাশিংগী ৱাকৎ

হায় কোর্টনা থা অমগী মনুংদা স্ক্রিনিং কম্মিটি রি-কন্সটিট্যুট তৌরগা পন্থদনা থবক লৌখৎনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা গভর্ণমেন্ট এদেদ প্রাইভেট স্কুলশিংগী অন এপ্রুভ ওজাশিং অমসুং চৌকিদারশিংনা পূন্না ফাইল তৌরকপা সিভিল রিট পিটিসন অমা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লৌখৎলগা চহী অনীরোম চঙনা মসিগী ৱায়েল চথরক্লবা মতুংদা মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন (এস) গী দিরেক্টরদা অন এপ্রুভ ওজা অমসুং চৌকিদারশিং অসিবু এপ্রুভ তৌনবগীদমক স্ক্রিনিং কম্মিটি অমা থা অমগী মনুংদা রি-কন্সটিট্যুট তৌবগা লোয়ননা লোগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা চপ চাবা থবকশিং খুদক্তা লৌখৎনবা দিরেক্সন পীখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) অদুগী নম্বর ৪৫৯ ওফ ২০১৯নি। পিটিস অসিগী পিটিস্নরশিংনা নম্বোল নাওরেমদগী এন হেরাচন্দ্র (৫৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন কুল্লচন্দ্র, নম্বোল মাইবমদগী দল্লিয়ু সোবিতা (৫৯) অপোকপা দল্লিয়ু ইবোহল, কৈরক্তগী এম দি রিয়াজউদ্দিন (৫৮) অপোকপা এম দি অশাদুলা, লমজাওদগী দল্লিয়ু চিত্রা (৫৮) অপোকপা দল্লিয়ু গুলামজাৎ, কৈশাম্পাৎতগী ৱাই থাবল (৫৮) অপোকপা ৱাই ইরাবোত, কাঞ্চিপুরদগী এন ইন্দিরা (৫৭) অপোকপা এন হেরাচন্দ্র, য়ুম্নাম লৈকায়দগী এল বিশেশ্বরি (৫৭) অপোকপা এল মনিকচান্দ, কৈশাম লৈকায়দগী কে মেম্মা (৫৭) অপোকপা কে তনৌ, পিশুম নিংঙোম লৈরক্তগী এল ইবোতোম্বী (৫৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল মায়পাক, বমদিয়রদগী দল্লিয়ু বিমোলিনি (৫৯) অপোকপা দল্লিয়ু গুলামজাৎ, ইরোম মখা লৈকায়দগী এম দি নজির অহম্মদ (৫৭) অপোকপা এম দি মনোৱর, লৈরোংথেলদগী ঙাংবম ভৈগ্যবতি (৫৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন জি তোম্বা, ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন্দগী এম দি অবদুল করিম (৫৭) অপোকপা এম দি অবদুল হমিট, ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন্দগী সিলা বেগম (৫৭) অপোকপা এম দি অলিমউদ্দিন, কারাংদগী ঐচ নিংথৌরেন (৫৭) অপোকপা ঐচ যাত্রা, ময়াং ইম্ফাল সন্থেলদগী মিনারজান বেগম (৫৭) অপোকপা এম দি অবদুল হৈ, ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন্দগী এম দি অবদুল মজিদ (৫৭) অপোকপা এম দি মজিবুল্লা, ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন্দগী সজিতা বেগম (৫৭) অপোকপা এম দি অবদুল হমিট, ৱাবগাইদগী এম জমুনা (৫৯) অপোকপা এম অভিরাম, ময়াং ইম্ফাল সন্থেলদগী এম দি ৱাহিদুর রহমন (৫৭) অপোকপা এম দি অবদুল হৈ,ক সেকমাইজিন্দগী রাসি বেগম (৫৭) অপোকপা মৌলুবী হাফিজুলিয়া, ময়াং ইম্ফাল হঙ্গুন্দগী মৌলুবী হিজবুর রহমন (৫৭) অপোকপা মৌলুবী হফিজুলা, ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন্দগী এম দি ফিরোজ খান (৫৭) অপোকপা এম দি অমির আলি, উরিপোক্তগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

ꯖꯦꯅꯤꯝꯁ/JNIMS না বিল পীথোকপীদ্রবনিনা Diet & Dry-Ration Supply লেপচরে

JNIMS ইম্ফালদা YUMSHA Protein Foods, Keishampat না অনাবশিংনা নুংতিগী ওইনা ব্রেকফাষ্টকী চা অমসুং ব্রেদ, অয়ূক্কী চাক্লেনগী চাক, ঙা থোংবা, হৱাই থোংবা অমসুং মনা-মশিংগী মথেল অমা, নুমিদাংৱাইরম চান-থক্লবা য়েৰুম অমসুং শঙ্গোম অদুগা নুমিদাং চাক্লেনগী ওইনা চাক, ঙা থোংবা, হৱাই থোংবা অমসুং মনা-মশিংগী মথেল অমা ফংহন্নবগীদমক্তা হান্নদগী হৌনা Diet & Dry-Ration Supply তৌদুনা লাকখি। অদুবু ইং ২০১৯গী জুন থাদগী ঙসি ফাওবদা নুংতি নুমিৎ খুদিং লেপ্তুনা তৌরকখিবা সপ্লাইশিংগী পীথোকপীফম থোকপা বিলগী শেনফমশিং পীথোকপীনবা মরী লৈনবশিংগী মফমদা কয়ারক হায়জদুনা লাকখ্রগসু পীথোকপীরক্তবনা মরম ওইদুনা হৌজিক হৌজিক মীয়াম্না মায়োক্নরিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎকী মতম অসিদা অনাবশিংগী য়েংদুনা মখা তানা সপ্লাই তৌবা ঙম্নবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা হীরম অসিদা মীৎয়েং চঙবীরগা পীথোকপীফম থোক্লবা শেনফমশিং পন্থবীদনা অথুবা মতমদা পীথোকপীদ্রিবা ফাওবদি ঙসি তাং ১২-০৫-২০২১গী ইংদগী হৌনা মখা তানা সপ্লাই তৌবা লেপচরে হায়বসি পাউচে অসিগী খূথাংদা খঙহঞ্জরি।

HL/P/9742/13

- YUMSHA Protein Foods, Keishampat.

খ্বাইদগী শাবা ৩১.৩১ °c
খ্বাইদগী ঈংবা ১৩.৪৩ °c
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৮.৬৫
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.৩১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫০

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

HL Poll

Q: Covid-19 mayoknabagi khudongthibadagi total lockdowngi awaba thengnabana henna safagani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Covid-19 Positive oibagi mashing yamna thengnaribasi meeyamna wakhal tadabadagi oigadouribra?

Yes 70% No 30%

অস! লোইরেহে!

- মতম চূপ্পদা শো তৌদবা য়াদে।

- ꯃꯇꯝ ꯆꯨꯞꯄꯗ ꯁꯣ ꯇꯧꯗꯕ ꯌꯥꯗꯦ॥



- পোলিটিক্স হায়বসি লীলা শান্নবনি, সার!

- ꯄꯣꯂꯤꯇꯤꯛꯁ ꯍꯥꯏꯕꯁꯤ ꯂꯤꯂꯥ ꯁꯥꯟꯅꯕꯅꯤ, ꯁꯥꯔ!

তামু দিফেন্স ফোর্সনা ম্যান্মার জুন্টাগী ট্রুপ ১৫ হাৎখ্রে

নেপিটো, মে ১২ (এজেন্সী):

ঙরাং নুমিদাং অথেংবদগী হৌরক্লগা ঙসি অয়ুক ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়াগা লোন্নবা ম্যান্মারগী সগাইং রিজনগী তামুদা তামু পীপলস দিফেন্স ফোর্স (টি পি দি এফ) কা মফম অনীদা খূৎ থোক্নবদা য়ামদ্রবদা ম্যান্মার মিলিটরি জুন্টাগী লান্মী ১৫ শিখ্রে।

ঙরাং অহিং চূপ্পা খূৎ থোক্লখিবা অদুদা টি-পি দি এফকী সিভিলিয়ন মেম্বর অমা শিখি অমসুং অতোপ্পা অমনা শোকখি।

টি-পি দি এফকী মেম্বর অমনা ফোঙদোরকপদা, ঙরাং নুমিদাং অথেংবা পূং ১০.৩০ রোম তারকপদগী অহিং-নোংয়াই ফাওবা পান ধার ভিলেজ মনাক্তা খূৎ থোক্লখিবা অদুদা জুন্টাগী লান্মী মঙা শিখি। অদুগা ঙসি অয়ুক অঙনবা পূং ৪.৩০ রোম তারকপদা তামু দিষ্ট্রিক্টকী কুন তাওং ভিলেজদা লৈবা মিলিটরি পোষ্ট অমদা চথুখিবা অতোপ্পা এটেক অমদনা জুন্টাগী লান্মী ১০সু শিখি হায়রি।

নুমিদাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্ট অমদা জুন্টাগী ট্রুপশিংনা খূৎলায় পায়দবা প্রোটেষ্টর অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা মতুং হৌখিবা মার্চকী অথেংবা শরুক্তা তামুদা লৈবা মীওইশিংনা তামু সিক্যুরিটি গ্রুপ (টি এস জি) হায়নসু খঙনবা খূৎলায় পায়বা দিফেন্স ফোর্স অসি শেমদুনা জুন্টাগী ফোর্সশিংগা লান্থেংনবা হৌরকখিবনি। হৌখিবা এপ্রিলদা মখোয়না ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

GOVERNMENT OF MANIPUR
SOCIAL WELFARE DEPARTMENT

(01 06 1948 to 11 05 2021)

ꯑꯋꯥꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄ/CONDOLENCE MESSAGE

Imphal, the 11th May, 2021

No. 1/1/2021-D(SW)Misc : The Officers, Staffs, Board Members of the Social Welfare Department, Manipur State Social Welfare Board and the Manipur State Women's Development Corporation Ltd. deeply condole the tragic demise of **Smt. S. Satyabhama Devi,** who was fondly called ***"Ima'bema"*** by everyone.

She served as Chairperson of the Manipur State Women's Development Corporation Ltd. and as Chairperson of Manipur State Social Welfare Board, Imphal, undertakings of the State Government under the Social Welfare Department and expired on 11th May, 2021.

This sudden tragic demise of Smt. S. Satyabhama Devi, Chairperson of MSWDC Ltd., Imphal has left a huge vacuum which will be difficult to fill up as the Corporation had worked tirelessly for the empowerment of the destitute women of the state under her dynamic and able leadership as Chairperson.

The Social Welfare Department, Manipur State Social Welfare Board and the Manipur State Women's Development Corporation Ltd. share the grief and loss of this distinguished person with her bereaved family. **May her soul rest in peace!**

"Ima'bema, you may be gone but you will never be forgotten and you will continue to inspire all of us to continue with your noble works in the State."

Sd/- (Ngangom Uttam Singh)
Director (Social Welfare) /
Managing Director (MSWDC Ltd.)/
Chairperson i/c (MSSWB)

HL-B/6968/13

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯋꯥꯔꯦꯡ ꯆꯥꯡꯗꯝꯅꯕ

হুইয়েন লানপাউ ৱারেং চাংদম্নবা

মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মহৈরোয়শিংগী লাইরিক-লাইশু তম্বদা চাওনা চৈথেং পীরি। মরম অসিনা ***"মহৈরোয়শিংবু এগজামিনেসন তৌদনা মথংগী ক্লাসতা প্রমোসন পীবা"*** হায়বা টোপিক অসিদা মহৈরোয়শিংনা ইশা-ইশাগী ৱাখল্লোন্দা য়াম্লবদা ৱাহৈ ৫০০ ইরগা 'হুইয়েন লানপাউ'গী ঈ-মেল আই দি **hueiyenwarengchangdamnba@gmail.com** অসিদা থাবীরকউ।

ৱারেং চাংদম্নবা অসিদা ক্লাস নাইনদগীনা ত্বেল্ভ ফাওবগী মহৈরোয়শিং শরুক য়াবা য়াগনি। মহৈরোয়শিংনা থাবীরকপদা ইশা-ইশাগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো ১, স্কুলগী মিং, ক্লাস অমদি কন্টেক্ট নম্বর লোয়নবীরকউ। মহৈরোয়শিংগী অইবা ৱাখল্লোন অদু চৎলিবা মে ১৫ ফাওবগী মনুংদা থাবীরকউ। খ্বাইদগী ফজবা ৱাখল্লোন্দা ইরকপা মহৈরোয়শিংগী মনুংদগী অহুম খনগৎলগা মথংশিংনা লুপা ৫০০০, ৩০০০ অমসুং ২০০০গী শেলগী মনাশিং ফর্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থর্দ তারবশিংদা পীজগনি। ৱারেং ইবীরকপা মতমদা মহৈরোয়শিংনা খূদোংচানবগীদমক মীতৈলোল (মীতৈ ময়েক), রোমান স্ক্রিপ্ট অমদি ইংলিশতা ইবীরকপসু য়াগনি।

- এদিটর, হুইয়েন লানপাউ

BOOK NOW
BEST & AFFORDABLE
CAB SERVICES IN MANIPUR
MANIPUR CAB SERVICE
24X7
Power by: IMPHAL FINANCE
Call the Cab at your Doorstep
for a hassle free service to access your needs.
Also Available
Tour Packages
Picnic Packages
Wedding Packages
Service Timing : 7 am to 7 pm
For Booking Call Now :
8258070746 / 9402267525
6909608909 / 6909967574
Office Address: M.G. Avenue, MDU Building, 2nd Floor

HL-B/6949/27/4-25/5

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫